এন হাজারি অমদি ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট

# তেকচম, মণিপুর পুলিস-বি ক্বার্টর চঙখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ৬(ঐচএনএস):

মণিপুর হোর্সরাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা তেকচম পোলো ক্লব অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব-বি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং নিংথৌকাবা নুমিৎতগী শান্নবা হৌরগনি। নুমিৎ অসিমক্তদা মেটচ অনী শান্নগনি। অহানবদা এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈ অমদি কে এম এম রাইদিং-এ শীংজমৈ, অনীশুবদা থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লব অমদি চীঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব কোংপাল শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা তেকচম পোলো ক্লবনা সী আর পি এফ পোলো ক্লব লাংজিংবু ৬-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম কেপ্টেন কে জোগেন্দ্রনা অহানবা চক্করগী শান্নবগী ৩.৪২দা তেকচমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।এস সদানন্দনা শান্নবগী ৪.৪৪ অমদি ৫.৫৬তা তেকচমগী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গোল চনখি।

ঐচ মুহিন্দ্রোনা অহুমশুবা চক্করগী শান্নবগী ১.১৫দা তেকচমগী মরিশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ২.১৫দা গোল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। মরিশুবা চক্কর হৌরকপগী ০.৫১দা মহাক্কী হেটট্রিক অমদি মায় পাকপগী ৬শুবা গোল চনবা ঙমখি।

সী আর পি এফকী গোল অনী অদুনা এম রোপেন অমদি ও সমজিৎনা অরোইবা চক্করগী শান্নবগী ৩.৩০ অমদি ৪.০৬তা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এম পি এস সী -বিনা লম্ফেল পোলো ক্লবপু ৭-১দা মায়থীবা পীখি।

পুলিস টিম-বিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কেপ্টেন ঐচ অবুং খুমননা অহানবা চক্করগী শান্নবগী ২.৫৬ অমদি অহুমশুবা চক্কর হৌরকপগী ০.৫৩দা গোল অনী, ও সুরেশনা অনীশুবা চক্করগী ৭.১৩ অমদি অহুমশুবা চক্করগী ৩.৩৬তা গোল অনী অদুগা কে ঐচ নোংপোকঙানবা, টি প্রদিপ কুমার অমদি এম দেবানাথনা অনীশুবা, অহুমশুবা অমদি মরিশুবা চক্করদা অমমম্ চনবা ঙমখি। লম্ফেল টিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এস অবুংনা অনীশুবা চক্করদা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীমক টিঐচ কাওবা অমদি এল অতাঙবনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স লীগ

# ক্রিপসা অমদি য়ু পি এস এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ৬(ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৩শুবা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ক্রিপসা নাওরেমথোংনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ক্রিপসাগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু লাইশ্রম বেবিচা অমদি হেমাম লিন্থোইনা শান্নবগী ১৯ অমদি ২৮ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ু পি এস এ পুখাওনা য়ুঠ ৱেলফেয়র ক্লব থম্বালখোংবু ১-০দা মায়থীবা পীখি।

পুখাও টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু সনাবম উমা চনুনা শান্নবগী ১১ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

এ ইবোতোন য়ু-১৫ বোইজ থর্দ দিভিজন লীগ

# অনিশকী গোলনা টি ৱাই দি এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ৬(ঐচএনএস):

টি ঐচ অনিশনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৩৯ অমদি ৫৯ শুবা মিনটতা চনখিবা গোল ২গী মতেংনা টি ৱাই দি এ তৌবুলনা এন জি কে এস এ ঙাইখোং খুল্লেনবু ২-০দা চথরিবা ৭শুবা এ ইবোতোন মেমোরিএল থর্দ দিভিজন অন্দর-১৫ ফুটবোল লীগ ঙসি বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীদা য়ু এফ সী বিষ্ণুপুরনা কেৱাইভি ও ক্বাসিফাইবু ৩-০দা অদুগা বি এফ এ নাচৌনা জে ৱাই সী জয়পুর খুনৌবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই দল্লিয়ু ও বিষ্ণুপুর অমদি ও এস এ ওইনাম ২-২দা দ্রো ওইখ্রে।

## গাইদিমজাংনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ৬(ঐচএনএস):

জেদ এফ এনা শীন্দুনা চথরকপা ১৩শুবা জাদোনাং ফুটবোল টুর্নামেন্টকী থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা গাইদিমজাং য়ুঠ এসোসিএসননা নমদুনলোং ফুটবোল ক্লবপু ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে। গাইদিমজাংগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু নৈলাঙম অমদি তিংকাওচুননা ২/২ চনখি।

কাখুলোং ফুটবোল একাদেমি অমদি দিমদাইলোং য়ুঠ ক্লবনা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমগী মনা ফংমিন্নখি। নমদুনলোংগী গাইপুলান দাংমৈনা বেষ্ট প্লেয়রগী মনা ফংখি।

## আর এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ৬(ঐচএনএস): লমজাও গ্রাউন্দদা চথরিবা দি এস এ ককচীং সেকেন্দ দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা আর এফ সী হিয়াংলমনা এফ সী ককচীং খুনৌ ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাকপগী গোলশিং অদু স্বামিকুমারনা ২ অমদি জিটেশনা ১ চনখি।

## নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল,নভেম্বর ৬(ঐচএনএস): ওলিম্পিয়ন সুশিলা লিকমাবমবু অর্জুনা এৱার্দকীদমক রেক্কমেন্দ তৌরকপবু মণিপুর জুদো এসোসিএসননা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

ককচীং দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ লোইশিনখ্রে

# খা-মণিপুর থাঙ-তা একাদেমিনা ওভরওল চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ৬(ঐচএনএস):

খা মণিপুর থাঙ-তা একাদেমি পল্লেলনা শীন্দুনা নুমীৎ নীনি চুপ্পা চথরকপা অহানবা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ঙসি পল্লেল কম্যুনিটি হোলদা লোইশিনখিবগা লোয়নননা হোষ্ট টিম ওইরিবা খা-মণিপুর থাঙ-তা একাদেমি পল্লেলনা গোল্ড ২৪, সিলভর ১০ অমদি ব্রোঞ্জ ৩ পুন্না মেদল ৩৭গী পোইন্ট ১১৫.২ ফংদুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন তাবা ঙমখ্রে।

য়ুনিভর্সেল থাঙ-তা একাদেমি ৱাঙুনা গোল্ড ১৪, সিলভর ২, ব্রোঞ্জ ১ পুন্না মেদল ৯গী পোইন্ট ৯৩ ফংদুনা ওভরওল টিম রন্নর্স অপ তাবা ঙমখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ৱাই পি এ থাঙ-তা একাদেমি হিয়াংলমগী কে ঐচ সনাথোই মৈতৈ অমদি য়ুনিভর্সেল থাঙ-তা একাদেমিগী এল প্রিসসিল্লানা বেষ্ট ফাইটর বোইজ অমদি গলর্সকী টাইটল ফংবা ঙমখি।

ঙসি অরোইবা নুমিৎতা শান্নখিবা জুনিয়র কাঙলুপকী ফুনবা অনীশুবা ইভেন্টকী নুপাগীদা খা-মণিপুর থাঙ-তা একাদেমিগী টি ঐচ স্রিনিভাস অমদি কে এস ঐচ পানন মৈতৈ; নুপীগীদা একাদেমি অসিগী টি ঐচ এলিনা অমদি পি ঐচ প্রেনা অদুগা ৱাই পি এ থাঙ-তা একাদেমিগী এস সোফিয়া চনুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। সিনিয়র নুপাগীদা খা-মণিপুরগী টি ঐচ চিংলেনসনা, পি ঐচ অবুংচা, এন অমর্জিৎ, কে ঐচ মাইকেল অমদি ৱাই পি এগী কে এস ঐচ বিশ্বরজিৎনা গোল্ড ফংখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা ইরেংবমগী প্রধান এম দি বাদুর, ককচীং দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসনগী সেক্রেটরি সরাংথেম টিকেন মৈতৈ অমদি ২৬ অসাম রাইফলসকী মেজর পদমবির সিংহনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

# ষ্টেট কুরাশ টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ৬(ঐচএনএস):

ছটিশগরগী রাইপুরদা থা অসিগী ৬তগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সব-জুনিয়র নেসনল কুরাশ চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় ১২ অমদি ওফিসল ৩ পুন্না মীওই ১৫না শাবা ষ্টেট কুরাশ টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ওফিসলশিং অদুদি সোইবম লৈশেম্বা (মেনেজর), লোইতোংবম জেমসন অমদি মোইরাংথোম সনাথোই (কোচ)নি।

শান্নরোয়শিং অদুনা সাপম জে মিসন, তাওরেম শ্রীভাস, নিংথৌজম কাজন, লাইশ্রম এলি, অহৈবম উত্তম, লাইশ্রম কাইকু, থোঙাম রোহেনবা, লাইশ্রম সনাথোই, নিংথৌজম রাজ, য়াইফবী হাওবম, এল ববিনা অমদি তাওরেম ওলিভিয়ানি।

## নাওচাগী হেটট্রিকনা ৱাই দল্লিয়ু সীনা থোইখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ৬(ঐচএনএস): এন নাওচানা চনখিবা গোল ৩গী মতেংনা ৱাই দল্লিয়ু সী মালোমনা কে এ এন কদাংবন্দবু ৩-১দা চথরিবা কর্নজিৎ সেকেন্দ দিভিজন লীগকী ঙসি মালোমগী ৱাই দল্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা জুভেনাইল ক্লব তেরা অমদি সোয়ো সঞ্জেনবম গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# কটার ৱর্ল্ড কপতা অহানবা ওইনা শীজিন্নগদৌরিবা এস এ ও টি

জে সী মায়া




## নুমিৎ ১৩নিগী মতুংদদি মালেমগী ফুটবোল ফেনশিংগী অনীংবা অপাম্বা উবা ফংলগনি

গোল লাইন টেক্নোলোজিনা ২০১৪ ব্রাজিল ৱর্ল্ড কপতা অমদি ভিদিও এসিষ্টেন্ট রেফরি (ভি এ আর)না ২০১৮ রসিয়া ৱর্ল্ড কপতা অহানবা ওইনা পুথোকখ্রবা মতুং ৱর্ল্ড কপকী মতম-মতমগী অহোংবা পুরকপগী মখা চথরকপা ওইনা সেমী ওটোমেটেদ ওফসাইদ টেক্নোলোজি (এস এ ও টি)সু তুংইল্লক্লি।

কটার ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২২ অসিদা অনৌ-অনৌবা কয়া হাপচিল্লক্লি। মসিগী মনুংদা সেমী ওটোমেটেদ ওফসাইদ টেক্নোলোজিসু অমা ওইনা টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা শীজিন্নগদৌরি।

টেক্নোলোজিগী মতেংনা কটারদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিনা রেফরিগী দিসিজনদা চয়েৎনবা লৈতবা খ্বাইদগী অফবা ওইরগনি।

ফিফাগী প্রসিদেন্ট জিয়ানি ইনফেন্টিনোনা ফোঙদোকখিবদা, 'সেমী ওটোমেটেদ ওফসাইদ টেক্নোলোজি অসি মালেমগী মফম খূদিংমক্তা ইমপ্লিমেন্ট তৌখ্রবা ভিদিও এসিষ্টেন্ট রেফরি (ভি এ আর)গী ইভোল্যুসননি।'

'মসিগী টেক্নোলোজি অসি চহী ৩ চুপ্পা দেদিকেটেদ রিসর্চ পাঙথোক্তুনা অমদি টেষ্ট কয়া তৌদুনা টিমশিং, প্লেয়রশিং অমদি ফেনশিংদা খ্বাইদগী অফবা দিসিজন পীনবা পুথোকপনি অমদি কটার ২০২২ অসিদা অহানবা ওইনা শীজিন্নগদবনি। থবক অসিগীদমক ফিফানা চাওথোকচবা পোকই।' হায়না মহাক্না মখা তাখি।



মমাং চহীদা পাঙথোকখিবা ফিফা ক্লব ৱর্ল্ড কপ অমদি ফিফা অরব কপ ২০২১নচিংবা ফিফাগী টুর্নামেন্টশিংদা লাইভ টেলিকাষ্ট তৌদুনা অমদি টেষ্ট ইভেন্ট কয়াদা সেমী ওটোমেটেদ ওফসাইদ টেক্নোলোজি অমদি কনেক্টেদ বোল টেক্নোলোজিগী ৱর্ক ফ্লো মায় পাক্না ট্রায়ল পাঙথোকপা ঙমখ্রে।

মেটচশিংগী মনুংদা, অনৌবা টেক্নোলোজি অসিনা ভিদিও মেটচ ওফিসলশিংদা সপোর্ট পীদুনা অতেনবা মতমগী মনুংদা হেন্না এক্যুরেট ওইবা ওফসাইদকী দিসিজন পীবদা মতেং পাংই। ওনলাইন অমদি ওফলাইন টেষ্টশিংগী দাটাশিং নীংথিনা কলেক্ট তৌরবা মতুং ভিক্টোরিয়া য়ুনিভর্সিটিদা এম আই টি স্পোর্টস লেবনা ট্রেক্টকা লোয়নননা কুপ্না খন্ন-নৈনখি। মখা তানা রিসর্চ টিম অমনা ঈ টি ঐচ জুরিকতা টেক্নোলোজি অসিগী তৌবা ঙম্বা মল্টি কেমেরা ট্রেক্কিং সিষ্টমবুসু য়েংশিনখি।

অনৌবা টেক্নোলোজি অসিনা মালেমগী ফুটবোলদা হেন্না কান্নবা পীনবা টেষ্ট কয়া অমা মখা তানা তৌবা মথৌ তারি।

'ভি এ আরগী ওইনা হৌজিক ফুটবোলদা অচৌবা পোজিটিভ ইম্পেক্ট পীবা ঙম্লে। ঐখোয়না হান্না মমাংদা তৌরম্বা অশোয়বা কয়া অদু য়াম্না হন্থহল্লে। সেমী ওটোমেটেদ ওফসাইদ টেক্নোলোজি অসিনসু ঐখোয়বু শাংনা পুৰীগনি থাজবা থল্লি।' হায়না মালেমগী বেষ্ট রেফরিগী এৱার্দ ৬লক ফংবা ঙমখ্রবা অমদি ফিফা রেফরি কম্মিটিগী চ্যেরমেন প্যেরলুইগি কোল্লিনানা ফোঙদোকখি।

ঐখোয়না মমাংদা য়াম্না টাইদ ওইবা ওফসাইদকী ইন্সিদেন্ট লাকপদা দিসিজন লৌবদা মতম শাংনা চঙলম্বা অদু সেমী ওটোমেটেদ ওফসাইদ টেক্নোলোজি (এস এ ও টি) অসি লাকপদগী অথুবা মতমদা এক্যুরেট ওইবা দিসিজন পীবা ঙম্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।



*ফিফাগী প্রসিদেন্ট জিয়ানি ইনফেন্টিনোগা লোয়নননা অম্ফাগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রতনকুমার*

## কে এফ সী থৌবালনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ৬(ঐচএনএস):

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা চথরকপা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লোইশিনখিবগা লোয়নননা কে এফ সী থৌবালনা পুন্না মেটচ ৬ শান্নবদা ৫ মায় পাক্লগা ১ দ্রো ওইদুনা পোইন্ট ১৬ ফংলগা অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

য়ু এম এফ সী মোইজিংনা পোইন্ট ১৩ ফংলগা অনীশুবা অমদি এস ও সী দি ঈ সী ৱাংজিংনা পোইন্ট ১১ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেটচতা য়ু এম এফ সী মোইজিংনা এস ও সী দি ঈ সী ৱাংজিংবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি। মোইজিং টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু বাবর, সলাতুর অমদি ৱাংজিংগী দিজাঙ্গোনা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা ওইখি।

প্রেমিয়র লীগ : অর্লিং হালান্দনা অথেংবদা চনখিবা

# পেনাল্টিগী গোলনা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ফুলহাম থোইখ্রে



মেঞ্চেষ্টর, নভেম্বর ৬ (এজেন্সী):

মেঞ্চেষ্টর সিটিগী সবষ্টিট্যুট চঙলকখিবা অর্লিং হালান্দনা শান্নবগী ৯৫ শুবা মিনটতা চনখিবা পেনাল্টিগী গোলগী মতেংনা মীওই ১০না শান্নখিবা হোষ্ট টিমনা ফুলহামবু ২-১দা থাংজ নুমিৎতা মায়থীবা পীখ্রে।

মায় পাকপা অসিনা দিফেন্দিং চেম্পিয়নবু প্রেমিয়র লীগকী টেবলগী মকোক্তা লৈহনখ্রে।

অশোকপনা মরম ওইরগা সিটিগী মমাংগী মেটচ অনী বেঞ্চতা ফমদুনা শরুক য়াখিদ্রবা হালান্দনা মেটচ লোইরবা মতুং স্কাই স্পোর্টসতা ফোঙদোকখিবদা, পেনাল্টি অসি ঐগী পূন্সিদা খ্বাইদগী নর্ভস চৎপা মীৎকুপ অমা ওইখি। অদুবু য়াম্না নুংঙাইখি হায়খি।

মেটচ অসিদা অর্জেন্টিনাগী ফোরৱার্দ জুলিয়ন অলভারেজনা শান্নবা হৌরকপগী ১৭ শুবা মিনটতা সিটিগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। সিটিগী দিফেন্দর জাও কেন্সেলোনা হেরি ৱিলসনদা ফাউল অমা তৌরুবদগী দাইরেক্ট রেদ কার্দ পীদুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখিবগা লোয়নননা ফুলহামগী ফেভরদা পেনাল্টি অমা পীখি। স্পোটকিক্ অদু গোল ওন্থোক্তুনা ১-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬৩ শুবা মিনটতা চঙলকখিবা হালান্দনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা ফংখিবা স্পোট কিক্ অমা গোল ওন্থোক্তুনা ফুলহামবু ২-১দা মায়থীবা পীখিবনি।

ফুলহামনা সিটিগী মখূৎতা মায়থীহৌরবা মতুং পোইন্ট ১৯ ফংদুনা টেবলগী ৮শুবা মফমদা লৈরি।

## এন জি মণি কোলেজনা নুপীগী ৱিন্নর ওইখ্রে


ইম্ফাল,নভেম্বর ৬(ঐচএনএস):

মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসননা শীন্দুনা মোইরাং কম্পু য়ুনিয়ন ক্লবতা চথরিবা ৬৯ শুবা সিনিয়র ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী ফাইনেলদা এন জি মণি কোলেজনা এ এম দি এ এস সী এ এমবু মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

অতোপ্পা নুপাগী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচশিংদা দল্লিয়ু এস দল্লিয়ু সীনা এন এস য়ুবু পোইন্ট ২১দা অদুগা এম য়ু সীনা এম পি এস সীবু পোইন্ট ১০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

HL-B/7775/2/10,11,12/10-2/12(alt)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 621

**CM Anthony Drayton (1923) - John Kojo Hasford (1970)**
**42nd Olympiad 2016 Baku AZE, 2016.09.05**

1.d4 d5 2.Nf3 Nf6 3.c3 g6 4.Bf4 Bg7 5.e3 O-O 6.Bd3 Nbd7 7.O-O c5 8.Nbd2 Qb6 9.Qc2 Re8 10.e4 dxe4 11.Nxe4 Nxe4 12.Bxe4 Nf6 13.Bd3 Nd5 14.Be3 Nxe3 15.fxe3 Bd7 16.Bc4 Rf8 17.Kh1 cxd4 18.exd4 Rac8 19.Qb3 Qxb3 20.Bxb3 Bc6 21.Rae1 e6 22.Ng5 Rce8 23.Kg1 h6 24.Ne4 Rd8 25.a3 b6 26.Nf6+ Kh8 27.Ng4 Bb5 28.Rf2 Rc8 29.Ne5 Rc7 30.h3 Kh7 31.d5 exd5 32.Bxd5...

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 620 Ans. :**

12. ...g6 Opening the line from h4 to h7. 13. Qxg6 Qh4 14. g3 Qxh7 15. Qxh7 Rxh7
12. ...g6 13. Qxg6 Qh4 14. c4 c6 15. Nf3 Qxh7 16. Qxh7 Rxh7 17. Bf4 Bg7 18. cxd5 exd5 19. Rfe1+ Kf8 20. Be3 Bf6 21. Bc5+ Kg7 22. Re8 Rh8 23. Rae1 Bd7 24. Rxa8 Rxa8 25. Nd4 b6 26. Bxb6 Rb8 27. Bc5 Rxb2 28. a3 Ne5 29. h4 Nd3 30. Ne6+ Bxe6 31. Rxe6 Nxc5 32. Rxc6 Ne4 33. Rxa6 Rb1+ 34. Kh2 Nxf2 35. Kg3 Ne4+ 36. Kg4 Rb3 37. Ra7+ Kh6 38. a4 Rg3+ 39. Kf5 Bxh4 40. Ke5 Rg5+ 41. Kf4 Bg3+ 42. Kf3 Rf5+ 43. Ke2 Rf2+ 44. Kd1 Nc3+ 45. Kc1 Bf4#
0-1

SPOKEN ENGLISH
ꯁ꯭ꯄꯣꯀꯦꯟ ꯏꯪꯂꯤꯁ
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894



HL-P/4575/1-30/11

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com